# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




নাগামপাল লমাবম লৈকায়দা লৈবা রাইটরস ফোরম, ইম্ফালগী ওফিসতা ফোরম অসিগী ২৪৭শুবা অঙোম সুকুমারনা ইবা 'অঙোম নিংথৌরেল য়ূমদাবা' লাইরিক্কী মীতৈ ময়েক অমদি রোমান ময়েক্কী রিভাইস এদিসন ফোঙবা


থম্মোয় পাউদম : কনানসু লৌবীরোইদবা পাউজেল ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মতমসিগী লায়রবা মীচমশিংগী হিংনবা লম্বী লৈরিব্রা?

ঐখোয়না নোংমগী লৈরিবা পোৎলম কয়াগী টেক্স ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ চহী ১০০ হেল্লবা দরবার হান্নগুম শেমজিল্লগনি...

কর্নাটকাদা বি জে পিনা মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট লৈবদা লুপা ... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ সব-জুনিয়র অমসুং সিনিয়র ষ্টেট ভোলিবোল ...


থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মীৎয়েং মখাদা খাঙবোক্তা লৈবা সেসন্স কোর্ট কমপ্লেক্সতা ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দেগী থৌরম পাঙথোকখিবা




Vol. 48, Issue No. 188 | ইরাই, মেরাগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, October 11, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### এম পি ২ পুথোকপা ঙমখিবা কোংগ্রেসতা থোমজিন্নরক্লে

# এক্স মিনিষ্টর জয়েন্তকুমার অমসুং এন পি পিগী মীরেপ ওইখিবা রোমেন য়াওনা মীওই ৯ কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে

### মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লিবশিং থেংনবদা কোংগ্রেসনা হেন্না মপাঙ্গল হাপ্লগনি : খৃষ্টোফর তিলক

### মীয়াম্না থাজবা থম্বীবদগীনি, মখা তানা কোংগ্রেসতা য়াওরক্লবা ক্যদা লেংদুনা লৈরি : ওক্রম ইবোবী

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী মায় পাক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্বদা নত্তনা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) মণিপুর ষ্টেটকী ৱার্কিং প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা লাংপোকলাকপম জয়েন্তকুমার অমসুং ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা শীংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি পিগী মীরেপ ওইখিবা ওইনাম রোমেন য়াওনা মীওই ৯ ঙসি কোংগ্রেসতা য়াওরকপদা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা কোংগ্রেস ভবনদা তরাম্না ওকখ্রে।

নৌনা পার্টিদা য়াওরক্লবশিংবু ওকপদা শরুক য়াখিবা এ আই সী সীগী সেক্রেটরি খৃষ্টোফর তিলকনা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসতা নৌনা য়াওরক্লিবশিং অসিনা পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লগনি। মখোয়বু পার্টিনা তরাম্না ওক্লি। মখোয় য়াওরকপনা মণিপুরবু থুগায়নবা হোৎনরিবশিং কোংগ্রেসনা থেংনবদা অচৌবা খুৎপু অমা ওইরগনি হায়খি।

পার্টি অসিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা অতোপ্পা মীওইশিংদি খুরাই ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



### কেবিনেট মীফম্না তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে

# কুকি টেররিষ্টশিংগী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদ্রবী সুরবলাগী মকুবোকতা লৈঙাক্না একর ০.১৯ চাউবা লম পীরগনি

### লাঞ্জেন্নরকপশিংদা চহী অমগী ওইনা গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিং য়াওদনা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা এনরোল তৌবদা অয়াবা পীখ্রে

### নেসনল দিভেলপমেন্ট বেঙ্ককী শেন্থং মখাদা লংথবাল কুঞ্জদা ইন্টিগ্রেটেদ সিৱেজ সিষ্টম ফেজ-৩গীদমক একর ৪.৯৪২ চাউবা লম লৈবদসু কেবিনেট মীফমনা য়াখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চেয়র লৌদুনা মহাক্কী সেক্রেটেরিএটতা নুংথিল পুং ২ রোম তারকপা ফাওবদা ফমখিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না মমাঙ থাগী ১গী নুংথিলদা পীল্লিবী মচানুপীগা লোয়ননা মপামদা লাকখিবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন বোমিং য়াওনা চথুরকখিবা অকন্নবা লানদা নোংমৈ মরূনা পানবদগী লৈখিদ্রবী ফয়েং ময়ায় লৈকায়দগী ঙাংবম ওংবী সুরবলা (৩২) মপুরোইবা ঙাংবম ইঙোগী মকুবোক ঙাংবম ইঙেনজাউবী মীংদা লৈঙাক্না একর ০.১৯ পাক চাউনা লম পীননবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসিগী কেবিনেট মীফমদা পূন্না তোঙান তোঙানবা এজেন্দা ৫১ অমসুং এজেন্দাদা য়াওদবা অনলিষ্টেদ এজেন্দা খরসু পুথোক্তুনা মরী লৈনবা ৱারেপশিং লৌখি।

মীফম অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল লম্ফেল সনাকৈথেলদা লৈবা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জনগী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং লৈঙাক্না শকখঙলবা খুল খক্তদা পীননবা ৱারেপসু ঙসিগী মীফম্না লৌরে। মণিপুরগী মফম খরদা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস রিভিয়ু তৌবা অদুগা হান্নদগী লৈরক্লিবা ফীভমদা পুলিস ষ্টেসন ১৯না কোনবা মফমশিং য়াওদনা অতোপ্পা মফমশিংদা অথিংবা অসি মখা তানা থম্বদসু ঙসিগী মীফম্না অয়াবা পীখি। অদুগা জৌজাংতেকতা পুলিস ষ্টেসন অমা হাংদোকপা অমসুং সিংদা দাম মনাক্তনা ইরেং পুলিস আউট পোষ্ট অমা হাংদোক্তুনা থম্নবসু ৱারেপ লৌরে হায়খি।

অতোপ্পা কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা থৌবাল অমসুং ৱাংজিং তেন্থাগী ব্লোক দিভেলপমেন্ট ওফিসর (বি দি ও) না কোনবা মফমশিং হায়বদি লৈশাংথেম অমসুং তেকচমদা সোলিদ ৱেষ্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## কোর্টনা য়াম্বেম লাবা অমসুং তোনি বেল পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল পি এসতা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না পি এস অসিনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা থা অসিগী ৭কী নুমিদাংদা ময়ুম-ময়ুমদগী ফাগৎখিবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অমা ওইবদা নত্তনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বর ফাওবা ওইরমখিবা অদুগা নৌনা শেমখিবা গুদ গভর্ণান্স পার্টি কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দগী য়াম্বেম লাবা অমসুং মহাক্না লোয়নবা তেরা অমুদোন লৈরক্তগী খুরাইজম ধনবির এলিয়জ তোনিদা সী জে এম/ইম্ফাল ৱেষ্টনা বেল পীখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জিরিবাম : কুকি টেররিষ্টশিংনা পাইহল্লকপা দ্রোন অমা খুল ঙাকপশিংনা কাপথখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা থোকহন্নীংদবা লানগী থৌদোকশিং নুমিৎ খরনি থোক্লদ্রবা মতুং ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মোংবুং অমসুং চম্পানগর মীতৈ খুল অনীগী মরক্তা দ্রোন অমা পাইহল্লক্লবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তারকপদসু অমুক হন্না দ্রোন অমা য়াম্না নেম্না পাইহল্লকপদগী খুলশিং অসিবু ঙাক্ল ক্লি বা খুঞ্জাশিংনা দবল বেরেলনা দ্রোন অদু তম্না কাপ্পদা পানবদগী চম্পানগরগী রসিদপুর এরিয়াগী মফম অমদগী ফংখ্রে হায়রি।



থৌদোক অসিগী মতুংদা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্স চঙশিল্লত্তুনা থি-হন্বগী থবক চথখি হায়রি।

## নহা পূম্নমক থবক পীবা ঙমদ্রবসু কম্পেনিশিংদা থবক ফংহন্নবা ত্রেনিং পীনবা থৌরাং লৌখৎলে : সী এম

### চীফ মিনিষ্টরনা ত্রেনিং সেন্টর অমসুং শিন্মীশিংগী নাইট সেল্টর ৩ শঙ্গাখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি ত্রেনিং সেন্টর অমা অমসুং বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস (বি ও সী) গী শিন্মীশিংগী নাইট সেল্টর অহুম শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অসি মণিপুর বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দনা দিপার্টমেন্ট ওফ স্কিলস, লেবর, এমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপকী মখাদা পাঙথোক্তুনা তাকয়েলপাৎতা লৈবা আই টি আইদা হাংদোকখিবনি।



থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না হায়, মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী ৱার্কিং ক্লাসশিংদা অঙন্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী শিন্মী নুপীশিংগী ফীভম হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং মখোয়গী পূক্নিং থৌগৎনবা তোঙান তোঙানবা মফম ১০দা ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেল ১০ শানবা লুপা ক্রোর ১৫০ রোমগী শেনফম সেঙ্কসন তৌরকখ্রে। অদুগা তাকয়েলগী এরিয়াদা নহাশিংগী স্কিল দিভেলপমেন্ট সেন্টর শানবগীনা লুপা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা ভেটরেন ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট রতন টাটা লৈখিদ্রে

### মহারাষ্ট্র লৈঙাক্না খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ 'ভারত রত্না' পীবীনবা ৱারেপ লৌখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী):** লৈবাক অসিগী ইন্দষ্ট্রিগী তোঙান তোঙানবা লম্শিংদা মশেক-মঙাল থোক্না ঙালহল্লম্বা শক্লাইরবা ভেটরেন ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট রতন টাটা ঙরাং মুম্বাইদা লৈখিদ্রে, মশাগী চহী ৮৬ শুখ্রে।



লৈবাক অসিগী সোসল ৱার্কর অমসুং মীৎয়েং শান্না উবা ঙন্বা পেত্রিওটিক লিদর অসিনা লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক থোইদোক হেনে দাকপা মতিক-ময়াই চেনবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক লৈখিদ্রে হায়বগী ৱাফম অসি ওফিসল ওইনা টাটা সন্সকী চ্যেরমেন এন চন্দ্রসেকরননা ঙরাং নুমিদাং থোকপা চেরোল অমদা লাউথোরকখিবনি। মপূং ফাবা মিংদা রতন নাভেল টাটা হায়না কৌবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট অসিনা মহাক্কী টাটা গ্রুপ খক্তবু ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## সাউথ কোরিয়াগী অইবী হান কাঙদা লিটরেচরদা নোবেল প্রাইজ পীরগনি

**ষ্টোকহোলম, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) :** মীওইবগী পূন্সিদা মায়োক্লবা য়ৈখাই থিনগাইবশিং উৎথোকপা অমসুং হৌখ্রবা মতমদা মায়োক্লখিবা খুদোংচাদবশিংগী মায়োক্তা শৈরেংগী মওংদা ইবা ৱারেং লাইরিক্কীদমক সাউথ কোরিয়াগী অইবী হান কাঙদা চৎলিবা চহী ২০২৪ অসিগী লিটরেচরদা নোবেল প্রাইজ পীরগনি হায়না মনা অসিগী স্বেদিস একাদেমিনা লাউথোকখ্রে। অইবী অসি কুমজা ১৯৭০দা সাউথ কোরিয়াগী গ্বাংজুদা পোকখিবীনি।

## বি এস এফকী কান্টিনদগী মীয়াম্না পোৎ চৈ লৈবা য়াগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা দিপ্লোই তৌরিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী মনুংদগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা লৈবা বি এস এফকী কান্টিন/সবসিদিয়ারি ক দরশিংদগী মীয়াম্না নোংমগী পূন্সিদা তঙাইফদনা শীজিন্নবা পোৎলমশিং লৈরবা য়াগনি হায়না বি এস এফকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোরকপদা খোঙথাং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা অমগা অমগগী মরক্তা থাজনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## য়ুথ ওফ মণিপুরগী ফাউন্দরনি হায়বা ১ য়াওনা নহা ৪ পোরোম্পাৎ পুলিসনা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** ত্রান্সজেন্দর এক্টিভিষ্ট মালেম থোঙামনা কুকি এম এল এ ১০গী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংদগী পুলিসনা মহাকপু ফাজিনখ্রবসু মহাক্কী খোঙজং শৌগৎপনি হায়বগী চার্জদা ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা য়ুথ ওফ মণিপুরগী মেম্বরশিংনি হায়বা নহা অহুম হান্না ফারবা মতুংদা ইকোন কোন্না য়ুথ ওফ মণিপুরগী ফাউন্দর মেম্বরনি হায়দুনা ফাজিনখিবা শীংজমৈ সাপম লৈকায়দগী হুইদ্রোম তোমথিন (৩৬) অপোকপা ঐচ নন্দকুমার য়াওনা মখোয় ৪ ঙসি পোরোম্পাৎ পুলিসনা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল পি এসনা হান্না ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকখিবা নহাশিং অদুনা লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়দগী লৌরেম্বম রেম্বো এলিয়জ শিন্থাঙম্বা (২৬) অপোকপা এল চন্দ্র, কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দগী মাইস্নাম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## যণগোনদা নোংমৈনা কাপ্তুনা যণ হাৎলম্বগী কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই কোর্টনা বেল পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২দা খাঙবোক্কী লাইপাৎ লৈকায়দা যণগোন্দা পুনবা যণ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা থৌদোক্কী মতাংদা থৌবাল পি এসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা লৈকায় অসিদগী খুন্দ্রাকপম সোমোরজিৎ অপোকপা কে ঐচ রঘুমনি কৌবা মীওই অমা পুলিসনা ফাখিবদু কোর্টনা অয়াবা পীরত্তুনা নুমিৎ নীনি পুলিস কষ্টদিদা থল্লবা মতুং ঙসি মখা তানা সী জে এম, থৌবালগী কোর্টতা পুথোরকপদা কোর্টনা লুপা লিশীং ৭০গা সিয়ুরিটি বোন্দ অমগদা বেল পীখ্রে হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মহাকপু মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি। অদুগা থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা মহাক্কী ময়ুমদগী সিঙ্গল বেরেল পম্প এক্সন গন অমা মরূ ১২গা কোন্ননা রিকোভর তৌখিবনি হায়রি।

মহাক হৌজিক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আর কে ইচনথোইবী ফারগা পুনবা হোৎনরম্লে, ফোন মুনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৫১ রোম তারকপদা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা আর কে ইচনথোইবী (৩৪) গী দুকানদা অঙৌবা মচুগী কার অমদা লাকখিবা শকখঙদবা নহা অহুম অমসুং নুপী অনীনা মহাক্না দুকান মনুংদা ফমদুনা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা চঙশিল্লক্লগা অহানবদা মহাক্না পায়রিবা মোবাইল ফোন মুনবদা নত্তনা নুপী অনী অদুনা মহাকপু দুকান মনুংদগী চিংথোক্লগা ফাদুনা পুননবা হোৎনরম্লে হায়রি।

মশক খঙদবা নহা অহুম অমসুং নুপী অনী অদুনা দুকান মনুংদা চঙশিল্লকপদা আর কে ইচনথোইবীগী দুকান মনুংদা ফম্মিন্নদুনা লৈরম্বী নুপীমচা অমা কিদুনা চেম্থোকখি হায়রি। মীওইশিং অদুনা মহাক্কী মোবাইল ফোন মুন্দুনা পায়শিনখিবা অমসুং মখূৎ পায়দুনা চিংথোক্লবা হোৎনরকখিবগী মতাংদা ওনশিন্নদুনা চিন্দা-পাওদানখি। অদুবু মীওইশিং অদু কার অদুদা তোংলগা চৎখ্রে হায়রি।

## দিমান্দ থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি ওক্টোবর ১৬কী অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা টিদ্দিম লম্বী বন্দ তৌরগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬কী অয়ুক্তা অসামগী দরগাওনদা লৈবা অসাম পুলিস ত্রেনিং কোলেজদা চথরক্লিবা মণিপুরগী ১০ অমসুং ১১শুবা আই আর বি পর্সনেলশিংগী ত্রেনিংদা য়াওরকখিবা নম্বোল খা জিরি মনীং লৈকায়দগী য়েলাম সুভাসচন্দ্র মীশিংগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা লৈঙাক্তা থমখিবা ৱাফমশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা টিদ্দিম লম্বী বন্দ তৌরগনি হায়না মীশি অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগী কনভিনর নাওরেম গঙ্গানা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি নম্বোল টেম্পররি মার্কেট সেদতা মীশি অসিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নহা ১ মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্লম্লে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৪৫ রোম তারকপদা উরিপোক সোরবোন থিঙেলগী মফম অমদা উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দগী সারোকখাইবম অমরজিৎ (২৬), অপোকপা এস হেরোজিৎ কৌবা নহা অমা শকখঙদবশিংনা য়েৎ থংবা মখোঙদা নোংমৈ মরূ অমা কাপশিল্লগা থল্লম্লে হায়রি। মহাক হেক শোকপগা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুম ওইনমক মহাকপু কনানা করি মরমগীদমক নোংমৈনা কাপ্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি। থৌদোক থোকফমদা লম্ফেল পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

# নেসনল ব্লেক দে-ওক্টোবর ১৫ : নুমিৎসিগী অয়ূক পুং ৬তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা পুং ১২গী টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে : কোরকোম

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ :** অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইখিবা নুমিৎপু 'নেসনল ব্লেক দে' হায়দুনা নুমিৎসিদা অথিংবা থল্লকপগী মখা তারকপদা কোওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম) গী পব্লিসিটি কম্মিটিনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা হন্দক চহীগীসু চৎলিবা থা অসিগী ১৫গী অয়ূক পুং ৬তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুর (কংলৈপাক) তা পুং ১২গী টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী লিশীং ২গী মথক্তা অইবা পুৱারী লৈজদুনা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা নেসন অমগী মতিক ময়াই চিংখদনা নীংতম্না পাল্লম্বা, ১১শুবা চহী চাদা অইবা লৈঙাক্লোন লৈরবা, বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্না কুমজা ১৮৯১দগী লৌশিনবা ফাওবদা নীংতম্বা মাঙহল্লমদবা ইরৈবাক মণিপুর (কংলৈপাক) ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী নোংমা হান্না ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা নীংতম্বা ফংদুনা অনৌবা লৈঙাক অমা লীংদুনা লৈঙাকচরবা মণিপুর (কংলৈপাক) ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা নমদুনা তিনশিনখি।

অদুগী মতুং নমলৌ লৌশিনবগী হৌনবা লমলৌ লান্মী ময়াম থাজিন্দুনা হিংচা য়াইতম্বগী এক্ট-অফস্পা-১৯৫৮ থমজিন্দুনা মরাল লৈতবা হাৎপা, ফাখ্রগা থিবা খঙহন্দবা, শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবদা হাৎপা, নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা, তমথীনা ওৎ নৈবা, ফূ চৈবা, হিংজগে হায়বা হত্তু মীয়ামদা ফংহন্দনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়ানা ষ্টেট টেররিজম চথদুনা লাক্লি। অসুম্না অচৌবা লান অমা লোইলম লৈঙাকপা দেল্লী অমসুং মসিগী লমলৌ লান্মীনা ইরমদমসিদা লান্দারকপদা ঐখোয়না লাম্থেংনবনি (ৱার এগেনষ্ট ৱারনি) ৱেজিং ৱার এগেনষ্ট ইন্দিয়া হায়বদি ইন্দিয়াদা লান হৌবা নত্তে। লোইলম লৈঙাকপা ইন্দিয়া লমদমসিদা লৈগনু - লমলৌ লান্মী লমদমসিদগী চৎখ্রো, নীংতম্না মণিপুর (কংলৈপাক) লৈজগে হায়বনি। ইন্দিয়াদগী তোখায় তাগে হায়বা নত্তে, ইন্দিয়ানা মৎখিবা হান্না লৈজরম্বা নীংতম্বদু অমুক হঞ্জিনজগে হায়বনি হায়রি।

মণিপুর (কংলৈপাক) কী নীংতম্বা হঞ্জিনবগী ঈহৌ অসি ইন্দিয়ানা নমথবা ঙল্লত্তদুনা অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগা হাৎননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লেপ্তুনা চথরকপনা ঙসিদি কাঙলূপ মশেল উনবা য়ানদ্রে- চঙনবা ঙম্নদ্রে। লৈঙাক অনী খৎনবদা শেম্বা বফর জোনগুম লমদমসিদা থমদুনা লম মচেৎ-মচেৎ ময়াং লমলৌ লান্মীনা শেন্নরি। লমলৌ লান্মীনা নীংতম লান্মী থেংনবা কিদুনা প্রোক্সি ৱার চথদুনা ম্যান্মারদগী চঙলকপা মীতোপশিংদা খূৎলায়, শেল, চান-থক্লবা অৱাৎ অপা লৈহন্দনা মণিপুর (কংলৈপাক) তম্পাক্কী মীচম মীয়ামদা জিনোসাইদ চথহল্লি, এঠনিক ক্লিন্সিং তৌরি। খূৎলায় পায়বা খুনেক লান্মীশিং অসিবু লমলৌ লান্মীনা শৌগৎলি হায়বসি ইন্দিয়াগী চীফ ওফ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ ইঞ্জিনিয়রগী য়ূমদা গ্রেনেদ অমা থল্লম্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৩.১৩ রোম তারকপদা লম্ফেল পি এসনা কোল্লিবা চীংমৈরোং লাইফমসিফাইগী রোংমৈ কাইলুওংদা লৈবা ৱাটর রিছোর্সেস লোয়শঙগী চীফ ইঞ্জিনিয়র রেমৈ অলিমৈ (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা আর কদাইখোগী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা থল্লম্বা পিন শৎত্রিবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা পুলিস লাক্তুনা বোম অদু অয়ূক পুং ১১.২০ লোম তারকপদা লৌথোকখ্রে হায়রি। বোম অসি কনানা করিগীদমক থল্লম্বনো হায়বা খঙদ্রবসু শেলগী দিমান্দগা মরী লৈনরম্বা য়াই থাজনরি। খুল অসিগী মীওইশিংনা মী কূংনা তাবা মফমদা বোম থম্বীগনু হায়না ফোঙদোক্লরকখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## চৈরাক পীনবা ৱারেপ লৌরে, লৈবা য়োনবা নৎত্রগা বন্ধান লৌবদসু অথিংবা থম্লে : কে সী পি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী সেক্রেটরি এম পুন্সিবা মৈতৈনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা 'রাদিয়ান্ট ফাইনান্স' কী মিংদা মল্টি ক্রোর পোঞ্জি স্কিম চথবা থেংনরে হায়রদুনা মসিবু চলাইরিবা শগোলবন্দ নেপ্রাম মেঞ্জোর লৈকায়দগী নেপ্রাম রোমিও (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন লোকেশ্বর, মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচন-মচেশিং য়াওনা মহাক্কী কো-স্কামষ্টরশিংবু অথুবা মতমদা চপ চাবা চৈরাক পীননবা পার্টি অসিগী পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পার্টিগী মায়কৈদগী মায় পাক্না ইনভেষ্টিগেসন চথবদগী মণিপুর দিভেলপমেন্ট ফাইনান্সিএল ইনভেষ্টমেন্ট হায়না খঙনবা ফাইনান্সিএল কম্পেনি অসিগী ভিক্টিম ইনভেষ্টর ১০০ রোমদা মখোয় মখোয়গী ফংফম থোকপা শেলশিং ফংহনবা ঙমখ্রে হায়রদুনা হন্দক্তা পার্টিগী হোম এফেয়রস দিপার্টমেন্টনা 'রাদিয়ান্ট ফাইনান্স' কী মিংদা চথরম্বা চপ মান্নবা অতোপ্পা মল্টি ক্রোর পোঞ্জি স্কিম অমসু থেংনরে। স্কিম অসি নেপ্রাম রোমিও হায়রিবা মীওই অসিনা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমসুং লান্না লমজিংবীরবা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগী গেঙ অমগী মতেংগা লোয়ননা তৌরম্বনি হায়রি।

মখোয়গী পান্দমনা মণিপুর দিভেলপমেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫